# খুরুমজরি কংলৈচাশিংবু খন্থমিন্নবা

**— কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) —**
**(তুংগী মীরোলশিংগীদমক কথোকচবা)**

হৌজিক্কী মতম হায়বদি ওক্টোবর ২০২৩দগী মার্চ ২০২৪ অসি কংলৈপাক্কী খ্বাইদগী লুরবা তাঙ্ককনি। তুংগী মীরোলগী খল্লগা ঐখোয় পূম্নমক্না ৱাখল য়াম্না মুন্না অমসুং লূম্না খনগদৌবা মতমনি। চহী ৭০/৮০গী মমাঙদা হিংলম্লিবা অহলশিংনা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মরমদা খরদা ওইরবসু খন্থবিরক্লবদি অসুক য়াম্না মীয়ামসি ৱারম্লোই। হৌখিবা পূম্নমক কাউথোক্লগা হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোলগী মরমদা খন্থবনা ফরে। হৌখ্রবা মীয়ামগী মীরেমশিংগী মরমদা ইবদা করিসু কান্নবা লৈতে। হৌখিবা চহী ৩০ হেন্না লমদম অসিদা লৈরকপদা করিগুম্বা চাওখৎ খোঙথাংগী খুদম অমত্তা উদ্রি। কংলৈপাকপু হেন্না কংহনবনা মখোয়গী অহানবা মথৌ ওইখি। লৈবাক্কী, মীচম মীয়ামগী হোৎনরমদে। মশা-মশাগীদা নুংঙাইনবা হোৎনখি।

ইন্দিয়াদা কংলৈপাকপু নমদুনা তিলহনবসি খ্বাইদগী হেন্না শোয়খিবনি। মশাগী কান্নবতা খনবা, কোংগ্রেস পার্টিদা লুপচবা খরনা ইন্দিয়াদা নমদুনা তিল্লগদি মখোয়গী ইমুং-মনুং, মরী-মতা নুংঙাইরগনি খল্লগা ফত্তবা খুজিল থৌরাং তৌরগা ইন্দিয়াদা তিনখিবদগী ঙসিদি করি থোক্লে লায়রবা মীচম মীয়ামদি। লায়রবগী মতেং পাংনবা কনাসু লৈতে। পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা ইন্দিয়াগী নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিং অসুক য়াম্না লৈরিবসি খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওই। লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদি আম আদমি পার্টি, ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক, ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেস, কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, সী পি আই (মার্ক্সিষ্ট), ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস, জনতা দল (য়ু), নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি, আর এস পি, সিব সেনা, এন পি পি অমসুং বি জে পিনি। রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিদি হায়নীংঙাই লৈতনা লৈবাক্কী থবক তৌরম্লগা মতম খরা নাথৈদুনা এম পি পিদি লৈরুরে। মে ৩, ২০২৩দগী এম পি পি তূমদুনা হিংবা য়াদ্রে। ইরৈবাক্কীদমক খল্লগা এম পি পিগী মেম্বর খুদিংমক ইমা লৈবাক্কীদমক চোংথোক্লক্লে। ইমা লৈবাক কনসি। খৎনবা, শাওনবা হায়বসি ফত্তে।

ইন্দিয়াদা হৌজিক রিজনেল পার্টিনা পাল্লিবা ষ্টেটশিংদি টামিল নাদু, টেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ, ওদিষা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার, দেল্লী, মিজোরাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম, নাগালেন্দ ষ্টেটশিংনি। ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী হেন্না থৌওইদবা অমসুং ইকায়খুম্নদবা ষ্টেট অদুদি ঐখোয়গী লমদম কংলৈপাক (মণিপুর) ষ্টেট অসিনি। ইন্দিয়নশিংনা উশিত্তবগী মরমসি চাক চারিবা ঐখোয় পূম্নমক খন্থফম থোকই। ঐখোয়গী ইশাগী ইরাল লোৎশিল্লগা থম্বা ফূরুপ হায়বদু ওইরে। য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। রিজনেল পার্টি (এম পি পি) না তেনখ্রবা মতমসিদা পাঙথোক্লম্বা থৌওং খরা লৌখৎতুনা য়েংলগা খন্থমিন্নসি। নেসনল পার্টি অমত্তনা এম পি পিনা পাঙথোকখিবদু ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্ত্রি।

পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা নেসনল পার্টি ১২ লৈরিবসি খ্বাইদগী হেন্না ইকায়নীংঙাইনি। ইন্দিয়াগী চাউখ্রবা ষ্টেটশিং হায়বদি মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান ফাওবদা নেসনল পার্টি ১২ লৈতে। কংলৈপাক অসি অঙকপগী অঙকপা ঙাক্তা ওইরে। মতম অমদা জপানিজশিংনা মণিপুরগী মরমদা "A little Paradise on Earth" হায়রম্বা অদু ঙসিদি "A little hell on Earth" ওনখ্রে। জৱাহরলাল নেহরুনা হায়খিবা "A Jewel of India', 'Switzerland of the East' হৌজিক্তি করি ওইরে? ফম্নাইবশিংনা সংসারগী লুকমাইদা কংলৈপাক অসি য়োম্থোকখ্রে। মীচম মীয়াম হৌজিক হায়নীংঙাই লৈতনা ৱানা হিংলি। ফম্নাইবশিংনা করিসু নাচুংদ্রি। মীওইবদি মানা মানা তৌজবদু ফংবনি। মীচম মীয়াম্না শেল লৌরগা খনখিবা মতিক চাদবা, লাইরিক-লাইশু হৈতবা, ইকায়বা হায়বদু খঙদ্রবা মীওই ঙাক্তনি। মীচম মীয়াম্না ফংলিবা ইজৎ অমসুং ইকায়খুম্নবদু মখোয় ফংদ্রে। ফত্তবা মরক্তা হিংলিবা হনদগী হেন্না হঙ্গোইরে মখোয়সি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২৮গী মনুংদা রিজনেল পার্টিনা ষ্টেট ১২ দা পাল্লি, ষ্টেট ১২ অসি মনীং তম্না চাওখৎপগী থবক মথং মথং শেমগৎলগা য়াম্না নুংঙাইনা মীচম মীয়ামগী য়াইফ খুদোল পীথরি। ফংফম থোকপা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী স্যের অদুসু শোয়দনা ফংলি। ময়াং মচাশিংগী বর্থদে সেলেব্রেসন তৌবিবা, শিখ্রবা মীশিংদা হৈ-লৈ কৎপীবা, মীতোপ্তা লুপচবগী ইকায়বা খঙদনা হিংবসি ইকায়দরা? কংলৈপাক্তা নখোয়দগী হেন্না মতিক মগুন লৈবা মশীং খঙদনা লৈরি হায়বসি নখোয় কাউরে। মীচম মীয়ামগী ফন্দ হুরাল্লগা, মৎলগা নয়ূম ৱাংনা শারিবা, কার অপাকপা তোংলিবা, লন-থুম পৈশিল্লিবা ময়ামদু ইকায়দরা? মীচম মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা নখোয়বু ব্যবহার তৌবা অমত্তা নত্তে। নখোয়না সংসার থাদোকখিবদা কনা অমত্তনা নুংঙাইতবা পোক্তবনি। নখোয়সু মীঙোন্দগী নিরগা হিংলিবা মীওইশিংনি। নীবগী, লোন্না লৌবগী মওং খরা খেন্নবগী ৱাফমতনি। ফম্নাইবগী থবক হায়বসি করপসনগী মহিক মপী ওইবদু নত্তে। কৎথোকপগী থবকশিং মশীং খঙদনা পাঙথোক্লম্বা অদুনি। হৌজিক চৎনরিবা মীচম মীয়ামদা শেল পীরগা ওক্সনগী মওংদা ফম্নাইবশিং খল্লিবসিদি মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা চৎনদে। কংলৈপাক্কী খ্বাইদগী চাওখত্তবা, মালেমগী মীশিংনা য়াম্না হন্থনা য়েংলিবসি কলচর অসিনি। ইকায়বা ফাওজৈ মণিপুরদগী মীনি হায়বদা।

কংলৈপাক্কী পুৱারী মমুৎ তানা খঙদবদগী পূম্নমকসি থোক্লিবনি। ইমা লৈবাকপু চাওখৎনবা করম্বা পোলিটিকেল পার্টি - কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পিনা হোৎনখ্রবগে? বিল্ডিং শাবা, লম্বী খরা য়াম্না সব ষ্টেন্দর্দ ওইবা মওংদা থা ৫/৬ চৎপা য়ানবা, কোসমেটিক্কী ফীভমদা শেন্নগা শেল পেকপনা নখোয়গী অশেংবা লিচৎনি।

ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস অসি অদুক্কী মতিক করপ্ট ওইখি হায়বদু পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইরি। কুমজা ১৯৪৭তা কোংগ্রেস পার্টিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১৫ লৈবগী মনুংদা মেম্বর ১২ না সরদার পটেলবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবগী ভোট পীখি। কবো ভেল্লি অসি বৃটিশনা মণিপুর মীয়ামগী ৱা অমত্তা হংলমদনা বর্মিজদা পীথোকখি। অদুগা কোংগ্রেস পার্টিনা অঙকপা মওং অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনখিবা জৱাহরলাল নেহরুনা মণিপুরগী মীয়ামদা ৱাহৈ অমত্তা তাক্লমদনা কুমজা ১৯৫৩দা বর্মিজদা কবো ভেল্লি পীথোকখি। কবো ভেল্লি অসি কোংগ্রেস পার্টিগী প্রোপর্টিরা? মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবসু কোংগ্রেস পার্টিগী সরদার পটেলননি। কবো ভেল্লি পীথোকখিবদু পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা নৎত্রগা মতমদুগী কেবিনেট মীটিংগী অয়াবা লৌখ্রবা মতুংদা পাঙথোকখিবরা? কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈ মতমদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) অসি লোন্না খূৎয়েক পীরম্বদগী মণিপুরদা ঙসি ওইরিবা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক থা ৫ হেন্না ৱারিবা অসিসু বি জে পি লৈঙাক্লা থোকহনবনি।

বৃটিশনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা মণিপুর থাদোকখ্রবা মতুংদদি মণিপুরদা মিনিষ্ট্রি লৈরে। নিংথৌবু নমদুনা মর্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌহনখিবদু মতম অদুগী মিনিষ্ট্রিনা য়াখিদে। য়াদ-য়াদনা নম্ফুদা লৌশিল্লগা চীফ কম্মিস্নরনা মণিপুর অসি নৈখাইবা হৌরকখিবনি। মেজর জেনরেল রৱাল অমর সিংহনা চীফ কম্মিস্নর হেক ওইবগা মীতৈ মচা চীফ সেক্রেটরি ঐচ বি সিংহবু সেকেন্দ এসিষ্টেন্ট টু দি চীফ কম্মিস্নর ওইহনখি। অদুগা লেন্দ সেট্টলমেন্ট ওফিসর (এল এস ও) শ্রী পি সী দেববু ফর্ষ্ট এসিষ্টেন্ট টু দি চীফ কম্মিস্নর হাপখি। অসিগুম্বা কন্দিসন অসি কুমজা ১৯৪৯দা থোকখিবা থৌদোক অসি কুমজা ২০১৭তসু বি জে পি গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রবা মতুংদা থোকখি। চহী ৬৮গী মতুংদা 'হিষ্ট্রি রিপিটস ইটসসেল্ফ' হায়বদু চুমখি।

ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌশিং অমসুং ফম্নাইবশিং অসিদি মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা অমসুং ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাগে, মশাগী ওইজ-ওইথক নুংঙাইবা খন্দবা ঙাক্তা অমসুং কথোকপগী থম্মোয় পান্দবা মী ঙাক্তা ওইখি অমসুং ওইরি। লৌখৎপা অমসুং শীংথানীংঙাই ওইবা অমত্তা য়াওদে। লমচৎ শাজৎ লুদবা মী হায়বসি মখোঙ মরি পানবা জীবগা চপ মান্নরি।



LEE KUAN YEW

মখোঙ মরি পানবনা লৈঙাক্কী মকোক ওইরবদি লৈবাক অদু কাং-খোং চাইবা অমসুং পুমলোই লোইবা তাবনি। অদুগুম্বা ফীভমদুনি হৌজিক কুমজা ২০২৩দা ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি। মশাগী হৌরকফম কাউবশিংনা মকোক ওইবদগী মণিপুর খুন্নাই খুজিনখ্রে অমসুং লোইশিল্লক্লে। মণিপুরগী পুৱারী অসি মীপূম খুদিংনা খঙবীয়ু। কান্নদবা ৱারেম ঙাঙলগা পুন্সি লেনবগী মহুত্তা ইমা লৈবাক অসি করম্বা মওংদা ফগৎহনগদগে খল্লগা থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু।

কুমজা ১৯৪৯দগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা নপচরগা তিঞ্জবদগী মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং অমদি হুরাল্লগা টাজ মহল মচা মচা শারগা বাদশাহদৌনা নুংঙাইরে-নুংঙাইরে খল্লগা মপুন্সি হিংজখি অমসুং হিংলি। মখোয়গুম্বগী পুন্সি মহিংদু য়াম্না হঙ্গোইবা মীয়াম লৈরি হায়বসি কাউজরি। মখোয়গী মমিংশিং মণিপুরগী পুৱারীদা অফবা ৱাহৈশিংনা ইরগা য়াওদে। মুন্না খল্লগদি ইকায়নীংঙাই ওইবা মীওইবগী মপোকনি হায়বসি মখোয় মশা মতোমতা খন্থবা ঙমদ্রি।

থবক য়াম্না কন্না শূরগা মণিপুরগী চীং মচাশিংসি পোপি, গঞ্জা থাবগী মহুৎ কিহোম থাসি। মালেমগী মফম খুদিংদা ঐখোয়গী কিহোম মশক খঙহনসি। এক্সপোর্ট তৌসি। ওর্কিদ মখল ৫০০ হেন্না লৈরিবা মফমনি। ওর্কিদসু এক্সপোর্ট তৌরবদি লমদমসিগী মীওই কয়া এমপ্লোইমেন্ট য়াম্না পীগনি। মীচম মীয়ামগী হিংবগী থাক ফগৎকনি। লৌবুকশিংদা পুখ্রি মশীং খঙদনা তৌরগা ঈশিং তুংশিল্লগা থমসি। চহী চূপ্পা পোৎ চৈ থাসি। থবক শূরগা ইশানা ইতোমতা হিংজনবা পাম্বৈশিং শেমজসি। মীগী মতেংনা হিংবা হৌনদে। ৱাগী, লীগী, কৌনাগী পোৎ মচা মচাশিং শারগা এক্সপোর্ট তৌসি। ষ্টেন্দর্দ লৈনা পোৎ শারবদি মালেমগী মফম খুদিংগী মীশিংনা পামগনি। খুদম ওইনা, কৌনাগী বাস্কেট মচা অমদা মণিপুরদা লুপা ৫০০ খক পীবদু লন্দনগী মার্কেটতা লুপা লিশীং ১০দা য়োল্লি। অসুম্না ঐখোয়সি জপানিজগী চাইনিজগী থবক শূবা নোম্বা কনবগী ঈদু অমুক হন্না চেলহনসি।

সিঙ্গাপোরগী LEE KUAN YEW গুম্বা মী অমখক্তা মণিপুরদা পোক্লমদে। মহাক্কী মতৌ তমসি। মোঙ্গোলোইদ ঐখোয়গী ঈ মরীগী মওং লৌসি। ফত্তবা, ওক্তবা, মীনম্বা ঙাঙবা ময়াং মচাশিংদগী লাপ্পা হিংসি।

ঙসি ঐখোয়না খম থেংনা ৱারিবসিগী মরমদি মীতোপকী মতেং লৌরুবগীনি। ঐখোয়গী ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লৈরমদবদগী থোক্লিবনি। লমদম অসিগী পোলিটিকেল পার্টিনা লৈঙাক পায়রম্লবদি ঙসি তারিবা দশা অসি তারম্লোই। কংলৈপাক্কী পুৱারী অসি অমুক্তা হঙ্গৎনা হাইদোক্তুনা পাসি। মণিপুর পিপলস পার্টিনা তেনখ্রবা চহী ৩ খরা হেন্না পাল্লম্বদুদা লমদম অসিগী করম করম্বা শিংথানীংঙাই ওইবা থবকশিং পাঙথোক্লম্বগে হায়বদু অমুক হন্না নীংশিংসি। থৌদোক খরদমক ইজরি। মসিদগী হেনবসু য়াম্না লৈরি। এম পি পিনা পানখিবা মতমদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখি। নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী লিংখৎখিবা রিজনেল মেদিকেল কোলেজ মণিপুরদা লৌশিংগী মতেংনা থম্বা ঙমখি। সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি লমদমসিদা লিংখি। মণিপুর লেংগ্বেজবু ৮-শুবা সেদ্যুল্ডদা হাপ্লমখি। ষ্টেটহুদ ফংখিবা মতমদু এম পি পিনা লৈঙাক পায়রি। পেট্রিওটিক দেবু ষ্টেট হোলিদে লাউথোক্লগা পাঙথোকখি। খোংজোম ৱার সিমিত্রিদা পাউনা ব্রজবাসিগী মীতমবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ভি ভি গিরিনা মায়খুম হাংদোকহনখি। শেল য়েল্লগা কাখিবা ফম্নাইবশিং নত্তে। ●

# মীচম মীয়াম্নসু লেম্না থারোই

**- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -**

চুড়াচান্দপুরবু লমকা ওনখিদনবা ইম্ফালদা কম্মান্দো ময়াম শীংলি ফূদোক্লি। লৈঙাক অসিনা শান্তি হঞ্জিল্লক্কবা উরু উরু লৈরগা ওৎলৈ পারৈ তৌদুনা য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা তপ্না তপ্না থা মঙাগী মতুংসিদা শান্তি হঞ্জিনবসু হৌরক্লবনি। হৌজিক্তি কুকিশিংনা মীতৈ হাৎলক্ত্রিঙৈদগী হৌনা মীতৈ খুদিংমক্কী কেস অমমম সী বি আইদা শিন্নরগা লোইনা থল্লগনি। অদুনা কুকিশিংনা মীতৈ হাৎলকপদা মীতৈশিং পূক্লিং ফাথরগা লৈরসি। ইরমদমসি শান্তি লৈনবা হোৎনসি। চুড়াচান্দপুরলোমদা কুকিনা থুগাইনবা মীতৈ খুল অমত্তা লৈত্রবনি। নহান তেরাখোংশাংবীগী মনীংগী চীংদা লৈবা সিখ রেজিমেন্টকী বঙ্কর মনাক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ খুল য়ৌনবনি কাইনা বোম কাপশিল্লকপদুসু মীতৈ খুন য়ৌবা ঙমদদুনা লৌবুক্তা পোকখায়খ্রবদুনি। বোম পোকখায়বদুদা কনাগুম্বা অমত্তসু অশোক অপন য়াওখিদে। মদো ঐখোয়গী ষ্টেট ফোর্সনা তূম্বা চাবা খঙদনা ৱানা হোৎনবগী মহয়নি। ষ্টেট ফোর্সনা লৌরিবা থৌদাংসি ঐখোয়গী মীয়াম্না মীৎসিনা লোইনা উনরিবা ঙাক্তনি। থোইদোক্লা ঐখোয়গী এম এল এ ময়ামসিনা হপ্তা অমদা অনীরক অনীরক মীটিং তৌদুনা তূম্বা চাবা খঙদনা হোৎনবদগী মীশি মীনাগী চাং হন্থরক্লিবনি। পূম্নমকসি ঐখোয় খঙমিন্নবা অমা চংই। ইম্ফালদসু হাৎন-শুনবা থোক্কদবা কুকি লৈত্রে হায়বা য়ারে। অমরোমদা ঐখোয়না কাউরোইদবসি কুকিশিংনা মীতৈ কয়ামা মথং মথং হাৎলবসু কুকিশিংগী ষ্টেট অমা হায়বদুদি ওইরোই হায়বসি মহৈরোয় ইচা ময়াম হৌরক্তুনা থৌনা ফখ্রবা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগা ফূগাইনরক্লিবা অসিনা অদুম তাক্লবনি। করিগুম্বা মণিপুরদা মীতৈ অমখক লেমহৌরবসু কুকিলেন্দ শেম্বা য়ারোই হায়বসি ঐখোয়গী এম এল এশিংনা তোঙান তোঙান্না দেল্লীদা চৎতুনা হায়বদগী খঙখ্রবনি। খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম অমনা নরেন্দ্র মোদিজিনা ৱা ঙাঙদ্রিবসি মীতৈগী মীচং চঙবা মানখিনি হায়দুনা ঙাঙদবনি। ঐখোয় মীয়াম য়াম্না ৱাখল তাবা'ম চঙই। ঐখোয় মশেল হাৎনবা য়াদে। ঐখোয় মশেল হাৎনরগা শিরকপা মীদু ঐখোয়না মুন্না সুম য়েংলুবদা ঐখোয় অদুম ওইগনি। ঙসি ঐখোয়না ৱারিবসি ঙসি হেক্তা ওইরকপা নত্তে। সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মতমদা জপান্না ইম্ফালগী কংলা ফাওবা লৌশিল্লগা বৃটিশকী লাইরিক্তা ইরিবা চীং-তম হায়বা মচেৎ মচেৎ তাবগী ৱাহৈদো লৌথোক্লমদবদগী থোক্লিবনি হায়বসি ওপোজিসন পার্টি কোংগ্রেসনসু খঙগদবনি। ঐখোয় হৌজিক রাজনিতি তৌবা মতম নত্তে।

ইন্দিয়ানা মণিপুরবু কয়ামুক লুনা খনবগে হায়বদো হন্দক থা লৈবাক্তা থাগৎখিবা চন্দ্রয়ান-৩না তাকখ্রবনি। মীতৈ ইমাশিংনা মচাশিংবু মনমদা পোরগা থেম্বদা চিন্থাং য়ৈনা শক্লম্বা ঈশৈ - থা থা থাবুংতোন ... হৈবোং চরোং অমত্তং থাদবীরকউ থাবুংতোন হায়বদু লুনা খনবদৈ চন্দ্রয়ান-৩ থাগৎতুনা হৈবোং থিবা থাখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা অমেরিকানা থা লৈবাক্তা য়ুংলম্মী হায়রিবা ফিরালদুসু ফোটো কাপ্লক্কদৌরিবনি। অসি য়ৌনা চাওখৎলবা মতমসিদা




মীচম মীয়াম্না এম এল এশিংবু মী নত্তবদৌনা হায়হৈ হায়হৈদবা, তাবদা ৱার-ৱারবা ৱা কয়া হায়রুবসি মখোয়সু খাঙবা ঙম্বগী থৌনা হন্থরক্লে হায়খ্রে। মণিপুর থুগাইনি হায়দুনা মীতৈ হাৎলকপদা পুনশিন্নবা ঙমদ্রবা এম এল এশিং মখোয়দা থীনা চৈবদগী ঙাকথোক্লবা মখোয় ময়াম পুনশিন্দুনা ৱারেপ লৌরগনি তাবদা মখোয়গী হুই হৌদোংশিং লোইনা হরাওনরম্লগনি। এম এল এশিংনা খঙবা ৱারবা মৈচৈগী মতাংদা পূন্না ৱারেপ লৌবদা মখোয়না খাঙবা ৱাদ্রিবা মণিপুর থুগাইনবা মীতৈ হাৎলকপগীসু য়াওবীবদা মতাং চারোইদ্রা? এম এল এ চৈবসি তরাই তরাইববুদি নত্তে। চৈনসি হায়রগা ভোট কারকউ এসেমব্লিদা লাউনসি হায়রক্কদৌরিবনি। অদুবু ভোট কাবসু ঙম্লোইদবা মীচম মীয়াম ঐখোয়না চিন অমা পাল্লুবদগী অশেং অশেংবা থীনা থীনা চৈবদা তূমিন খাঙলিবা এম এল এশিংসি শাওগন্দবা কৌই। শাওগন্দবা মীনা শাওরকপদা কনামত্তনা থেমজিনবা ঙমদে হায়নৈ। মখোয়দা মীয়াম্না থীনা থীনা চৈরকপদৈ শাওমনখিদুনা মখোয় ময়াম পুল্লপ্লা লম্বীদা থোরক্লগা - মণিপুর কায়বা য়ারোই, কুকিলেন্দ শেম্বা য়ারোই, ৱি ৱান্ট পিছ কায়না লাউরগা লাক্লবদি পুলিস কম্মান্দোনা টিয়র গ্যাস কাপশিন্দুনা, রব্বর বুলেট কাপশিন্দুনা তানখায়বদা অশোক অপন খরদি য়াওগদৌরিবনি। মতমদুদা মীচম মীয়াম ঐখোয়নসু মরাল লৈবা অমত্তা লেম্না থারোই। ●

# 'করিনো অমদি তৌদৌরিকো' -৩

**-মোইরাংথেম নবকিশ্বর -**

মীতৈশিংবু মশা মশাগী ময়ূম ইঙ্খোলদা চংহন্দবসিরা মখোয়গী মথৌসি? ঐখোয়গী লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংসু মসিদা করিসু হায়জবা ঙমজদ্রি। অঙকপা লৈঙাক্লি। কদায় য়ৌনা ঙকখ্রগে হায়ববু অসুক লুরবা তাঞ্জাসিদা নোংমখক্তগী ওইরবসু ফম্নবা ৱারেপ্নখিবা এসেমব্লি সেসন (ওগষ্ট ২৯, ২০২৩) সু থৌওইনা য়ৈথোকখ্রেদনা। ইরুজনীংবদা থোঙ্গ্রা তেকথরকপগা মপা চান্নবা হায়বদু থোকখ্রেদনা। থরোই অহাম্বগী লৈঙাক ওইরে হায়বদুদি হায়জনীংদ্রদুনা। লৈবাক্কী অরূবা ৱাফম কয়া খন্নগদবদা ওপোজিসন এম এল এ মঙানা চরাংনদনা সভা ফম্বা ঙমহনখিদ্রে হায়বা নাম্মা থোংজিন্দুনা। খন্নগদবা অরূবা ৱাফম অমত্তদি খন্নগদৌরিবা এজেন্দাদদি হাপসু হাপ্তুনা, করিবু খন্নগদৌরিবা?

ওপোজিসন এম এল এ মঙানা হায়রিবদি অসুক লুরবা তাঞ্জাসিদা নোংমখক্তং ফম্বা এসেমব্লি মীফম্না অরূবা ৱাফমশিংসি খন্নবা লোইবা ঙম্লোই, য়ামদ্রবদা নুমিৎ মরি/মঙানি সেসন ফমসি, অদুগুম্বা মীফমদুদা মণিপুরগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্নবা, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ফাইনান্সিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্নবা ৱারেপ লৌহৌসি, ময়ামসি খন্নগদবা এজেন্দাদা হাপচিলহৌসি, ফম্লিবা সেসনসি ইমর্জেন্সি মীফম্না, নোর্মেল সেসনলা মফম-মরাং অমত্তা খঙদ্রে, চৎনগদবা লোশিং অমত্তা চৎনদ্রে শেংদোকপীয়ু হায়দুনা লাউজবনি। ঈরাং হৌবনি হায়বদি য়ারোই। ফরে মথৌনা লৈরবদি লৈঙাকসি শেম্বা হৌরকপদা ওপোজিসন লৈত্রবা লৈঙাক্লুম্বনি হায়দুনা মথৌনা লৈনা মখৌ য়াম্না পোংখিবদাই। মখোয় মঙাদু অসুক লুরবা লৈবাক্কী ৱা খন্নগদবা মতমদুদা সভাদা চরাংনবা থোকহন্দুনা সভাগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্ত্রে অদুনা সভাদগী ঙসিগী ওইনা তাম্থোক্লে নৎত্রগা সেসন লোইদ্রিবফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়দুনা তাম্থোকখ্রগা লেমহৌরিবা রুল্লিংগী মন্ত্রি মন্দল এম এল এশিং অদুনা লৈবাক্কী ওইবা ৱারেপশিং মীচম মীয়াম্না পাল্লিবশিং মপূং ওইনা 'মণিপুরগী অপূনবা শক্তক করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কায়হনবা য়ারোই' 'মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্দুনা মীতোপশিং খন্দোক্কদবনি' অমদি 'কুকি টেররিষ্টশিংগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা থম্নরিবা সূ মরম চাদে খুদক্তা হন্দোক্কদবনি' হায়বগী ৱারেপ লৌরম্মুদনা মণিপুরগী মীয়ামনা নখোয়বু থাগৎনরমগনি। নথৌনাদি লৈতনা সী এস ও য়াম্মন্দনা ৱারেপ লৌফম খঙদ্রে, ৱারী শানফম খঙদ্রে হায়দুনা থৈদোকপা য়াবরা? লৈবাক্কী ৱারেপ লৌববু সী এস ও মশীং য়াম্বগা করি মরী লৈনবগে? মীয়াম্না করি পাল্লিবগে হায়বদুদি হোত্রোং হোনা ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। করি ৱারেপ লৌরগদি ইরাংসি লোইশিনবা য়াগদগে হায়বদুসু হোত্রোং হোনা ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। তৌগদবা মথৌ মশক খঙদবা নখোয়গুম্বা মীহুৎশিং অসিনা লৈবাক ঙাক্কনি হায়দুনা থোক্লককপদগীনি ঙসি পোক্লফম ইমা মৈত্রবাক অসিনা মমীৎতা মপি কংদ্রিবা। অসুক শেংখ্রবা দেমোক্রেসিগী লাইশঙ ওইরিবা এসেমব্লি হোল অসিবু নখোয় খরনা চিরোলগী দ্রামা শান্নদুনা খক মাংথোক্লোইদবনি। নখোয়দি চৎখিগনি অদুবু পুৱারীদি ইদুনা লেঙদনা লৈহৌগনি। অসিগুম্বা মীংচৎ থীবা পুৱারী খক ইদুনা থল্লম্লোইদবনি। মিনট ১২/১৩ খক ফম্বা এসেমব্লি মীফম্বু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ঙসি ফাওবদা লৈখ্রবরা অদুসু এজেন্দাদা য়াওদবা ৱাফমদা ৱারেপ্নবা। অসিগুম্বা তুংগী মীরোলনা তিন শিৎনীংগদবা পুৱারী খক থল্লম্লোইদবনি। দেমোক্রেসিগী শেংলবা লাইশঙসিবু খোঙহাম্ফম/মপান থোকফম ওইনা খনবা য়াবরা? অসিগুম্বা লৈঙাক ইমানা হেক পোকঙৈদগী থেংনরক্ত্রি।

মতম খরগী মমাঙদা মিজোরামদা ব্রোদ গেজ রেলৱেগী থোং অমা তেকথরক্তুনা লাইবক থীবদগী শিন্মী ২৩ খক শিখিবদদি খুদক্তা পি এমনা অৱাবা ফোঙদোকখি। মণিপুরগী অসুক য়াম্না য়ূম মৈ চাকখ্রিবা, কাঙলূপ অনীমক্কী মীওই কয়া মশীং থিঙমদনা শিখ্রিবা, হৌজিক হৌজিকসু শিবা লেপত্রিবা, মীওই লিশীং ৬০ রোম ময়ূম মকৈ লৈত্রদুনা চাবোই চাদবোই, চাকথুং ফিথুংদ্রদুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা নোংজু নুংশা খাঙদুনা লেল্লিবা ময়াম, মীতৈ চনুরা কয়াগী ঈজৎ কুকি টেররিষ্টশিংনা খোঙ্গোইনবীখিবগী নীংঙমদবগী তেংথাখোল কয়া অসিদদি ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাহৈ অমত্তা ওইরবসু অৱাবা/নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী ৱাফম অমত্তা তাখিদ্রি। নুংদা করিনো অমা লৈরিকো ইরৈচাশা। করিনো অমদি তৌদৌরিকো। চেকশিনসি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১) **"বামোন ঈবেম্মা অঙ্গংবী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **"পলহৌরবা কাউশিং"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবগে?

৩) **"ইন্দিরা:ইন্দিরা নেহরু গান্ধীগী পুন্সি ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৪) **"ঈথক মচাশিংগী ৱাহং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **ইদোম য়ুমদোমপোকসিদা**
**মুশি-মুশিরবা**
**আশাগী উচান মৈরাসে পায়রগা**
**ঙাইরিবনি ৱানা নঙবু হল্লকপা।**
**নঙনা থুংলরবদি**
**লৈতেংলনি ঐসু য়েন্নিংথাগী ফজবনা।**
শৈরেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী শক্লাইবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।